ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯖꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯰꯵, ꯲꯰꯲꯳, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯷꯵ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, জন্যুৱারী ০৫, ২০২৩, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ২৭৫শুবা মশীং

## রিক্রুটমেন্টগী ৱাথোক থোরকপা অচুম্বা তৌই হায়বা য়াগদ্রা

অতোপ্পা ষ্টেটশিংগা য়েংনরুবদা মণিপুরগী রিসোর্স য়াম্না নেম্মী। শুংলৈ লৈতববুদি নত্তে অদুবু মমিংতগীনি হায়বা য়াবগী ফীভমদগী মচি লেংহনবা ঙমদ্রি। অদুবু লাইরিক হৈরবা মীওইশিংগী মশীংদি চহী খুদিংগী লেপ্তুনা হেনগৎলকপনা পাথোক্লা লৈরে। লৈরক্লিবা পূম্নমক লৈঙাক্লা মখোয়গী মহৈ-মশীনগা চানবা থবক পীবসু ঙমদে, ওইথোক্তে। লৈঙাক্কী নত্তবা মশাগী হিংজনবগী পাম্বৈসু ওইবা, ষ্টেটকী শেন্মীৎলোন ফগৎহনবদসু মতেং ওইগদবা অতোপ্পা থবকশিং পায়খৎপদসু খোঙহাই চাদ্রি। মনা-মশিং, হৈ-রা থাবগী থবক্তসু ঈশিং মতম চানা অমসুং মরাং কায়না ফংদবগী খুদোংচাদবশিং মায়োক্নরি। অতোপ্পা প্রদক্টশিং পুথোকপগী থবক্তনা রো মেটরিএলগী মথৌ তাই। শেম-শাদুনা পুথোরক্লগনা য়োনফম মার্কেটকী তঙাইফদবা লৈ। পূম্নমকসি ফংলগসু নীংবা থুংবা অমসুং পেন্থোকনীংঙাই ওইবা ফীভমদা লৈতবনা অয়াম্বনা লৈঙাক্কী থবক্তা মিৎয়েং থম্নরকই, কৃক-কৃক ইন্নরকই। নাকল অমরোমদনা মমাঙ-মমাঙদা লৈরম্বা লৈঙাকশিংগী মতমদা শেল-থুমগী ফীভম কা হেন্না ফত্তবদগী রিক্রুটমেন্টগী থবক-থৌরমশিং থিংজিন্দুনা থম্লুরে। অদুবু তঙাইফদবশিং লৈরকপদগী অহানবদা এদ্যুকেসন অমসুং হোম দিপার্টমেন্টকী ওইনা খরা-খরা কোমথোকহল্লক্লবা মতুং অতোপ্পা লোয়শঙ খরগীসু মথৌ তাবা অমসুং অৱাৎপা মীওইশিং লৌদুনা মেনশিন্নবগী থবকশিং হৌনরকখ্রে। অদুবু পাঙথোক্লখ্রিবা তোঙান-তোঙানবা লোয়শঙশিংগী রিক্রুটমেন্টশিংগী রিজল্ট অয়াম্বনা হায়দোক্ত্রে। চহী ২ হেন্না নমশিন্দুনা থম্লকপা য়াওরে। হায়দোক্ত্রিবশিংগী মনুংদগী খরগীনা হায়দোকফম থোকপশিং হায়দোকপগী মহুত্তা পুমনৌ-নৌনা লৌননবগী থৌরাং তৌরকপসু য়াওরে। মশ্বাইদগীদি ৱাথোক হৌরক্লে। রিক্রুটমেন্ট অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা জে এ সী অমসুং এসোসিএসননচিংবা শেমগৎলক্লে। অকক্নবা মতম পীদুনা রিজল্ট হায়দোকপগীম তম থারক্লে। মখোয়না শরুক য়াখিবদুগী রিজল্ট হায়দোক্ত্রিঙৈদা অনৌবা লৌনবগী প্রোসেস তৌবা য়ারোই হায়রক্লে।

ওইরক্লিবা ফীভমশিংসি ওইরকফম থোকপা, লাইরেল মতুং ঙাইনবগী থৌদৌনি। মশানা ওইরকফম থোকপনি। মথৌ তাবা পোষ্টশিংগী অহাঙবশিং মেনশিন্নবগী রিক্রুটমেন্ট পাঙথোকখ্রিবা পূম্নমক্কী ওইবা ৱাফমনি। অদুবু অসিগুম্বশিং অসিবু থোরকফম অমসুং ওইরকফম থোকপ্রা হায়বনি। লোয়শঙশিংগী অহাঙবা পোষ্টশিং মেনশিন্নবগী থোকখ্রিবা নোটিফিকেসন অমসুং পাঙথোকখ্রিবা রিক্রুটমেন্টশিংদু মখোয়বু লৌরগা থবক তৌহনবদা পীগদবা তোলোপ অমসুং এল্লাৱেন্সশিংগী শেনফম লৈবদগী চত্থরকখিবা থবক নৎত্রা? মসি ওইরগদি পাঙথোকখ্রিবা রিক্রুটমেন্টতুগী রিজল্ট মতম চানা হায়দোকফম থোক্তুব্রা? মশ্বাইদা ৱাথোক ওইরকহল্লকফম থোকপ্রা? হান্না প্রোসেস তৌরুরগা কোন্না কেন্সেল তৌরকপা য়াওব্রা? য়াওরক্লগনা করি মরমশিংদগী ওইগদৌরিবনো? মতিক চাবা মরমশিং লৈত্রবদি মনুং মপান ফাওনা উহন্দুনা অমসুং শেঞ্জা থুমজা তৌদনা রিক্রুটমেন্ট প্রোসেস চত্থখি হায়বা য়াগদৌরিব্রা? করপসন হায়বসিদি মীওই অনী য়ানরগা লোন্না-থুপ্না তৌনবা অরোনবা থবকনিনা অফোংবা খুদম চাংদম লৈত্রবসু থোরক্লিবা ৱাথোকশিংসিনা অরানবা তৌদে হায়বা য়াগদৌরিব্রা? অদুগা লোয়শঙ খরদনা অসিগুম্বা ফীভমসি থোক্লগা এমপ্লোইমেন্ট একচেঞ্জদনা ‘জোব ফেয়র’ পাঙথোক্লিবসিগী ৱাহন্থোক্লা মপূং ফাগদৌরিব্রা? ৱাহংশিংসিগী পাউখুম মরী লৈনবা হকথেংনবা লোয়শঙশিংনা অমসুং লৈঙাক মকোক্লা খুম্মু। তোঙান-তোঙানবা রিক্রুটমেন্টশিংদা শরুক য়াখিবা কেন্দিদেটশিংনসু খুন্নকউ। ৱাফমসি মতম চানা রিজল্ট হায়দোক্তবা অমসুং চহীরোমদা শাংনা নমশিন্দুনা থম্নকপদগী থোরকপনি। ৱাফমসিনা হায়রিবনা মথৌ তারে হায়দুনা কৌরগা লৌননবা থবকশিং পাঙথোকখ্রবশিংগীদি মতম চানা হায়দোকউ। মতিক চাবশিং খল্লু, চাদবশিং খৎতোকউ হায়বনি। আই আর বিগী বট্টালিয়ন অনীগী পর্সনেলশিং লৌনবগী রিক্রুটমেন্ট পাঙথোক্লুরগা চহী ২ হেন্না নমশিন্দুনা থম্নকপদগী ফজদবা ৱাহৈ-ৱাতাশিং শীজিন্নদুনা অৱাই-অখুম তৌনরকখিবা, বন্দ-ব্লোকেদ য়াওনা খোঙজং কয়া চঙশিন্নরকখিবদু নেমথখিবা ফোং-ফোং শারিবনি হায়বসি মখল খরগী রিক্রুটমেন্ট পাঙথোকখ্রিবা লোয়শঙশিংনা অমসুং লৈঙাক্লা কাউথোক্তবা চুমগনি। ৱাথোক লান্থোক থোরক্লবা মতমদতা, চৈ থারগতা চৎপা, মমৈ থেক্লগতা হৌগৎপগী হৈনবীদু থাদোক্লো হায়নীংই।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৭

১) **“করিনা তমসিগে খুদোল/অনৌবা কুম অসিগী,/নাচোম অমদি শেম্লেনে/তখেল্লে শংৱ্রৈ লৈচন্না/চিগোংলৈ অমত্তংগা থেৎখিগে,/নংগী নাপ্প থন্নবা/হেপ্পি নিয়ু ইয়র।”** শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা করি লাইরিক্তা য়াওবা করম্বা শৈরেংদগীনো?

২) **“ফাওরকপা ঈথিলদা শেমজিনবা ৱারী”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) **“চীংনা ঐগী পন্থৌ তম্না ঐগী পলেম”** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুর মপানগী অইবা অমনা মণিপুরীদা হন্দোকপা লাইরিকনি। ওরিজিনেল কনানা ইবা লাইরিক্তগী হন্দোক্লিবা অসিনা কনানো?

৪) **“অরোনবা থম্মোয়গী চিঠি”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৫) **“মমি তাদ্রবা মী”** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো?

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ১০৫
## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল
**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

অসুম্না ঐখোয় মণিপুর ষ্টেটকী ৱাংমদা খরা খরা থোক্তুনা লীলা উৎপা হৌরক্লে। অদুবু ঐখোয়গী ওইনদি মপান্দা চৎপসি কয়া তোয়না অমদি শাংনা চৎপা ঙমদে মরমদি মমাঙদসু পঞ্জখ্রে, গভর্ণমেন্টকী সর্ভিস তৌবা ঐখোয় অনী য়াওবসিনা ছুটি শাংনা লৌবা অমদি তোয়না লৌবগী খুদোংচাদবা কয়া অমা লৈবননি। চহী অমদা নুমিৎ ৫/৬নি রোমদি ঐখোয় হেক হেক চৎলি। অদুনা খরা তোয়না কূংনা চৎপসি কছার, হোজাই অসিনি। মরক্তা নাগালেন্দ, মদুদি নোংমগুম্বগী থৌরমনিনা অদুম হায়রকপদা শংবু শংনরবদি অদুম চৎলি। কছার চৎপসিগী নুংঙাইবা য়াম্না লৈ। লম লমদুগী মীয়ামগা উনবগী নুংঙাইবা, ময়াম্না ঐখোয়বু নুংশিবীবগী নুংঙাইবা ৱারী কয়া লৈ। মসিগী মরক্তা ময়াম্না তাবদদি ওন্থোক্লা করিনো হায়না খঙদবা থৌদোক অমগা লৈখ্রে, ইরাল লান্দনা ইচুম চুম্না লানবা মানবা অমা থোকখিবগী ৱারীনি। কছারগী মফমদুসু পঞ্জররোই, করিনোমা খনবীরনি। থৌদোক অদুবু হকথেংনবীহৌবশিংনা মশা মশানা অদুম খঙজরসনু।

মতমদুদি ঐখোয়সু নহানিনা য়ং য়ং লাওখৎলকপগী হৌনবী খরা অদুম ইশাসি ইরাং লাংই। মীনসু য়াম্না য়েংনবা মতমনি ঐগী ওইনদি। কছারদা চৎপদা ঐখোয়না থুংলুরিবদুগী হেক য়ূমথংনবদা লৈশাবী অমা লৈ। লৈশাবীদু ঈং-তপ্পী। মশক মতৌসু অদুম চঙখোল্লি। ঐখোয় ময়াম লাকপদুদা য়ূমলোন্নবা অমা অনীদুসু য়াওনা ঈরাং লাংই। ঐখোয়সু ঐখোয়গী লৈফমনচিংবা শেম শারগা হিপ্তুনা পোত্থানবা য়াও, তৌদুনা লৈনরি। ঐদি তাঞ্জা য়াম্না মাঙহন্নীংদবা অমা ওইনা থায়নদগী লাকই। মী উনবা, ৱারী শানবা, মখোয়গী পূক্লিং খঙদোকপা, ঐগী ইপাও তল্লম্বা, দ্রো দ্রো ৱারী শাবসি য়াম্না পামজৈ। মীগী ইশ্খোলদা চঙশিল্লগা থারিবা মনা মশিং য়েংবসিসু ঐগীদি হৈনবীনি। অদুনা তাঞ্জা চারুবদগী য়ূমথংনবা লৈশাবী লৈবা ইমুংদুগী শুমাংদা চঙশিল্লে। দাওনা য়ারিসু শুমাং মতাইদা অচৌবা কিহোম পাম্বী অমখক য়াম্না নান্না থাই। কিহোম পাম্বীদু কিহোম অমা থিনগৎতুনা পানখৎলকপা মতমদুনি। অদুদদি ঐসু য়েংনীংই। কিহোম পাম্বীদুগী মরমদা হংদুনা ইমুংদুগী অহল অমগা সুম ৱারী শানৈ। মদুদা অতৈ ইমুংদুগী মী ওইগনি অহুম/মরি অমসু ইকোয় কোয়না ফমদুনা ৱারীদু তাই। মখোয়নসু হংনীংবা মরক মরক্তা হংলকপদা ঐনা খঙবা পাউখুম খরা অদুম পী। মরক্তুদা লৈশাবীদুসু য়াওরিবনি। মাদি ৱাহংসু হংদে, ৱাসু অমত্তা ঙাঙদে, ঐঙোন্দা হু হুদুনা য়েংবদু খক নত্তনা। মাই মতৌদুদা ঐসু হেক হেক য়েংই। ঐনা য়েংবদা মীৎচানরুবদগী মমায়গদু ঙাংশিল্লদনা কৈনোমা ইতৌ তৌখ্রে। ঐনবু খল্লি, লৈশাবীসি ৱাখল অমা খল্লে। অদুবু ঐদি কৈসু থোইনা হকচিন্না খল্লুবা লৈতে। অওইবা ঐ শেমজিন্দুনগা হায়বা নত্তেকো, ঐ কৈসু খল্লুদে। অদুক থুবা ঐসু পামখিদে। ৱারী লোইরে, ঐখোয়গী চাক্ত অহল খরনা থোংবীবনি, লোইরে হায়দুনা তাক্লকপদগী ঐসু চাক চাবা চঙলে। ইমুংদুদগী ঐ অদুম চুমদ্রিং চাক চাফম মাঙ্গোলদু তম্না লাক্লে। চাক চারে। ঙাইহাক ময়ামদু হিপ্পা য়াও, জ্বার চে পুথোক্তুনা কোয়শিল্লগা জ্বার শান্নবা য়াও তৌরি। সি হায়দোক্লে হায়দুনা মদুদা য়াওখিবশিংনা ৱারৌবীদনবা হায়জরি। তৌবুদি মদুদা য়াওখিবা মী ফনা য়াম্না লৈখিদ্রে। লৈবসু য়াওরি। লৈখিদ্রবশিংগী মনুংদা জিলা, দেবদত্ত, ধনবির, দিনা শিখৈ ওইরমাল্লে। ঐদি হান্নগুম অদুম থোরক্লগা অতোপ্পা ইমুং অমরোমদা অমুক চৎতুনা ৱারী শানরুই, মথেল মথেলগী ৱারীনি। মফমদুদা মৈতৈশিংগী ফীভম, ইকোনোমিগী, ষ্টেটসকী, লাইরিক লাইসু তম্বগী, গভর্ণমেন্টকী থবক তৌবদা পীবা খুদোংচাবা চাদবা কয়াগী মতাং। চাবা থকপা ময়াম পূন্না পাঙথোকপা মৈতৈগী ওইবা ফেষ্টিবেলগী মতাংদা ৱারী শানৈ, খঙনীংবা খঙনবা হোৎনৈ। কা হেন্না মৈতৈগী ওইবা ফেষ্টিবেল মফমদুদা চাওনা অমত্তা পাঙথোক্তে। নিংঙোল চাক্কৌবগুম্বা, চৈরাওবগুম্বা, কাং হায়বসিসু য়াম্না পাক শন্না তৌনদে, তৌবা মৈতৈ খুল খরা চাওবদদি তৌই হায়না হায়বীরকই, অতৈ খরগা অদুম তৌই। অদুক চাওনা তৌবগী খুদোংচাদবা লৈবনা থোইনা তৌবগী মমি তাদে। ৱারী ময়ামদু শানবদদি নুংথিল পুং ২ তাগদৌরে। ঐহাক হল্লক্লে। লন্বী ফাওরগা লাকপদা লৈশাবীদুগী শুমাং লান্না লাকই। লৈশাবীদু উবদুদা ঐনা ৱাহং অমা হংখি, ইবেম্মা, ইরুজবসি কদাইদা লুজনৈ? লৈশাবীদুনা বরাকতা ওইনা লুজৈ। বরাকতি কদোমদা চৎলগা তাই? সিদগী সরক্কী মখাদা চুমদ্রিং চৎলগা অদুম বরাক তারে। ঐ অমুক্তা লুজরুগে তৌবনিনে। অদুদা লৈশাবীদুনা ঐসু বরাক কুমগদবনি হায়, অদুদা ঐনা ঐসু খরা য়াওগে, ঐসু লুজহৌরগে হায়না হেক হায়রুরে। ঐ ঐগী লৈফমদুদা চঙলগা ঐগী বেগতগী খুদৈ, তাৱেল, সাপোননচিংবা লৌথোক্তুনা থোরক্লে। লৈশাবীদুসু বালতিন অমা খুদেং অমা ফিরোল খরা পুদুনা থোরক্লে। বরাক তম্না লাক্লে।

ইচিন থী হায়নি, বরাক তাবা লন্বীদু হায়রপ শাংই। মদুদা হৱাইমঙ্গল, অতৈ মনা মশিং য়াম্না মরাং কায়না থাই। ঐনবু হায়, হৱাই মতোনসি শিংজু চারদি হাওখ্রনিদা। লৈশাবীদু নোক্লগা ৱাসু কৈসু অমত্তা হায়দনা অদুম চৎলি। মায় মতুংনি ঐনা ইল্লিবনা। ঐনা অসুম্না চৎপদু ঐখোয়গী মী অমনা উহৌরে। মানা ঐখোয় ময়াম লৈফমদুদা চঙখ্রগা, জ্বার শান্নরিবা ময়ামদুদা তম্মজাৎনি। মোইনা ঐগী মরমদা ফনা ফজনা ৱারী শানরমগনি খল্লি। ইশাদি তাহৌদবনিনা খঙজদ্রে। অদুগা উহৌরিবা মীদুগা অতোপ্পা মী অমগসু ঐখোয়না চৎখিবা লন্বীগী খুদুং ইন্দুনা বরাক তল্লক্লি। ঐখোয়দি বরাক তোর্ব্বান্দা য়ৌরে। লৈশাবীদুনা বালতিনদুনা ঈশিং শোক্তুনা মাগী ফিরোলদু শুবা হৌখ্রে। ঐদি বালতিনসু য়াওরক্তে, ফদি সাপোন, খুদৈদনি য়াওরিবা। বরাক্তা কুমদুনা ইরুজগদবসু কি। বরাক হায়দু চাওখ্রজাৎনি। ঐখোয় মণিপুরদা অদুমুক চাওবা তুরেল অমা ফাওবা লৈতে। বরাক্কী হৌরকফমসি মণিপুরনি। মাগী হৌরকফমদু ঐ চৎলুরে, য়েংলুরে অদুবু মণিপুরদদি বরাক্তু পিশক পিক্লা হৌখিবনি। অদুগদি কছার য়ৌবদুদদি ঈশিংদু শংত্রিক শংলদনা, কয়া ফজরে, পাক চাওখ্রে। মদুদা ৱা ঙাক্তনা শাবা মপান চন্দবা হি অচৌ-অচৌবা (ৱা ময়াম্না পুল্লগা শেম্বনি) হিমক হায়বদি য়ারমদবা য়াই। মদুদা মীশিংনা পোৎ চৈ হাপ্তুনা হোল্লগা চৎখিবসু উই। বরাক্তু উবদা কদাইদগী কুম্বগাইয়ে। কিজৈ ঐ কুমদে। লৈশাবীদুনা ফি শুবদু য়েংলি। ৱারী শারি। ৱারীদু কৈসু থোইদোকপা অকায়বা য়াওদে, অদুগা নুংশি নুংওনগী ৱাসু নত্তে। মীনা লান্না খনবীবগী ৱানি, ৱারীদুদি ইচম চম্বা ৱারীনি। লৈশাবীদু ফি শুবা লোইশিল্লকপা অদুগা মাগী বালতিনদু ৱাইরগা ঐ ইরুজনবা থৌরাং তৌদুনা লৈরে। মদু কান্দুদা ঐখোয় পার্টিগী মী অনী লাকখিবদু য়ৌরক্তুনা ঐঙোন্দা কারন ঙাঙবা হৌরক্লে। লৈশাবীদুসু তারিনি, লৈশাবীদুগা ঐগা কোয়নবগী ভাবকী ৱারীনি মোইনা শারিদু। ঐগী মীচং চঙবগী টাইপতা লৈশাবীদুদা ঐসি য়াম ফবনি, থবকসু তৌবনি গাইনা য়াম্না হায়খ্রেনে। লৈশাবীদু ইকায়রজাৎনি। মানা - দাদা ঐ কারল্লগে হায়না মাগী ফিরোলদুগা খুদেংদুগা পুরগা চৎখ্রে, ঐনা বালতিনদু লৌহৌরে। মানা চৎখ্রবা মতুংদা ঐখোয় ৱা ৱা নোক্তুনা ইরুজরগা কারক্লে। নুংথিলগী লীলা নুমিদাংদা উৎলে। লৈশাবীদু লীলা য়েংঙিরা ঐ য়েংঙিরা খঙদে, য়াম থৱায় য়াওনা মমাঙ চৌক্রিদা ফমদুনা য়েংবা ঐনা উই। হেক হেক মীৎচানৈ, নোকসু হায়ফেৎ নোক্লুই। অদুদদি মাদি কৈনোমা সুম খনখ্রজাৎনি। মশাদু লৈতাফম খঙদবদৌনা তৌবা উবা ফংখি। লীলাদু লোইরে।

নোংঙাল্লে, ঐখোয়দি মফমদু থাদোক্তুনা চৎকদৌরবনি। ময়ামদুনা অয়ূক্তুদা চা অমমম থকমিন্নদুনা ৱা ৱা নোক্তুনা কায়ননবা তৌরি। ঐখোয়সু অতোপ্পা মফম অমদা চৎনবা থৌরাং তৌরি। মতমদুদদি ঐখোয় বসকা পুরগা চৎপা নত্তে, এরোপ্লেনদা সিলচরগী কুমভিগ্রাম ফাওবা লাক্লগা মথং মথং বসতা টেক্সিদা চৎপনি। ঐখোয় বস ষ্টেন্দ ফাওবা রিক্সোদা চৎনবা থৌরাং তৌরি। ঐগী পোৎ চৈ রিক্সোদা থাংগৎলে। লৈশাবীদু ঐবু য়েংদুনা অদুম লেপ্পী। ৱা হায়নীংবগী মওংনি। ঐ মাগী মতৌদুদা খঙই। ঐনা ময়ামদুদগী খজিক নাথৈরগা হায়রুই। ইচল চৎলগে, মতুং অমুক থেংনসি। ঐগী এদ্রেস পীরম্মু হায়, ঐনা থুনা চে মচেৎ অমদা ইরগা পীরম্মী। মানা মখূৎতুনা দাদা সে হায়রগা রুমাল অঙৌবা ফজবা অমা পীরকখি। ঐসু অদুম লৌরগা লাক্লে। বাই বাই তৌরম্মগা অদুম রিক্সো তোংদুনা চৎপা হৌরে। বাই বাই তৌদুনা খূৎ হাইনখিবদুনা অদুম অরোইবা উনবা ওইখ্রে। হৌজিকফাও নুপীমচা লৈশাবীদু থেংনখিদ্রে। লৈশাবীদুনা ঐবু নীংশিংলমখিদ্রা অদুদি খঙদ্রে, করিগুম্বা আর্টিকলসি পারম্লবদি শোয়দনা নীংশিংলমগনি। ●

# অহানবা খোঞ্জেল থোক্লা কপখিবা নুমিৎতো - ২

- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -

ঐহাক্কী ইপোক নুমিৎনা লাকপদা ঐহাক্কী পুন্সিগী ঈচেলদা থেংনখিবা মরু ওইবা তাঙ্কক খরখক পাউদমজদ্রিঙৈ মমাঙ পাবিরিবা ইরৈচা খুদিংমকপু অনৌবা চহী ২০২৩না লাকপসিদা নুংঙাই পাউজেল পীজরি। লোয়ননা সোম সোমগী পুন্সিগী ঈচেলনা মমায় চুম্না চেন্থদুনা য়ৌনীংবা পন্থুং য়ৌবা ঙম্বা ওইরসনু হায়না মপু মহাক্কী মফমদা পুনেমজরি। অদুম ওইনমক পুন্সিগী হিনাওবু চৎনীংবা মায়কৈদা, থুংনীংবা পন্থুংদা য়ৌনবা হিমাই চেকশিন্না চুম্বদি কাউফদেকো।



অনৌবা চহী ২০২৩না লাকপসিদা নীংশিংলকই হৌখ্রবা অঙাং ওইরিঙৈ, নহা ওইরিঙৈ নুংশিবী ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরদা লৈরিঙৈ মতমদা ঐহাক্কী লায়র পুন্সিনা অনৌবা চহী লাকপা খুদিং থেংনখিবা অৱা অনা কয়াদো। খ্বাইদগী নুংঙাইখিবা অনৌবা চহী লাকপগী থৌদোক অমা হায়রগদি কংলাতোংবী খুঙ্গংদা লৈরিঙৈ ঐহাক্লা চহী তরেৎ/নিপাল শুরকপা অদুৱাইদা খুঙ্গংগী ইমান্নবা শঞ্জেন নহা ঐখোয় মরি/মঙা লুপা নিপাল পীবা য়েনবা মচা অমা লৈরগা কংলাতোংবী মমাঙদা লৈবা সেকমাই তুরেল খোংবান্দা ষণ শেন্না শেন্না চাখিবা অদুনি। লুপা নিপাল পীবা য়েন লাবদো ঐখোয় মশেল খাইগৎনদুনা লৈবনি। মতমদুদদি লুপা নিপালদুসু য়াম্না য়াল্লিবা শেনফমনি ঐখোয়গী ইফমদদি। ঐখোয় শঞ্জেন নহা অঙাং খক্তা হৈবোই হৈতবোই থোংলগা ষণ শেন্না শেন্না চাখিবদো য়াম্না হরাওনা চাখিবনি।

নুমিৎ অদুগী মতুংদা লাকখিবা অনৌবা চহীশিংদি অয়াম্বনা নীংবা কায়না লৈখিবনা অয়াম্বনি, মরু ওইনা ইম্ফালদা ইয়াম্বা অনীনা লাইরিক তম্বনি হায়না পুবিরক্লবা মতুংদা। ইম্ফালদা লৈ হায়বদি হায়বা অদুবু ঐখোয় ইমুংগী শেল কোন্ননা থোক্তবনা অনৌবা চহী লাকপদা চৎনীং চৎনীং পিকনিক অমা ফাওবা চৎপা ঙমখিদে। চহী ৯/১০ মুক শগোলবন্দ, ইম্ফালদা লৈবদুদা নোংমতসু সেকমাই তুরেলরোমদা পিকনিক চৎনবদো ঐহাক্তি অমুক্তসু য়াওবা ঙম্লক্তে শেল লৈতবনা। অদুগা অরি অনৌ তাইনবগী ঈশৈ নোংমাই কয়া পাঙথোকপসু অমুক্তা চৎপা ঙম্লক্তে কন্সর্টকী টিকেট কক্লবা শেল লৈতবনা। অসুম্না হিংলকখি ঐহাক্কী পুন্সি।

য়ূমগী লৈত-লায়রবা কয়া অদুননি ঐহাক্লা দি এম কোলেজদা তম্লিঙৈদা লাইরিক লাইশু তম্বগী লৈদ-য়াদ্রবা, চঙদ-য়াদ্রবা চে-চাং, কোলোম, মুক অমদি লাইরিক ফাওবা লৈবা ঙম্লক্তবদগী ইম্ফাল ময়োলদা লৈরম্বা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা চৎতুনা ইশামক্কী ঈ য়োনগে চৎখিবা। অদুবু লাইবক থীবদি ইশাগী ঈ ফাওবা য়োনজবা ঙমখিদে AB+ blood type ওইবনা। AB+ blood type ওইবসি অতোপ্পা ব্লদ টাইপতগী লৌবদুনা কাপ্পদি য়াবা অদুগা অতোপ্পা AB+ নত্তবা মীওইদা কাপ্পদি য়াদবনি। মরম অদুনা য়োনীং-য়োনীং ইশাগী ঈ ফাওবা য়োনবা ঙমদনা য়াম্না নীংবা কায়না হল্লকখি ঐখোয়গী লায়র শঙলেন তম্না।

লৈত-লায়র, ৱানা-ৱানা দি এম কোলেজদা পি য়ু অমদি টি দি সী তম্বা লোইরবা মতুংদা নেসনল টেষ্ট য়াওবদা লাইবক ফদুনা ঐহাক্কী মীং য়াওরকপদগী ন্যু দেল্লীদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু য়ুনিভর্সিটিদা মখা মহৈ তমথবা চৎখিবনি। মদুসু য়াম্না হোঙনা শেল ইচং চঙদনা তম্বা য়াই হায়বদুদা য়াওখিবনি। জে এন য়ুদা তম্বসি য়াম্না হোঙবনি। সেমিষ্টর অমা তম্বগী হোষ্টেলদা লৈবগী হোষ্টেল ফীসি মতমদুদা লুপা ১৫০ মুক ওইখিবগুম তৌবনি কা অমদা মহৈরোয় অনী পূন্না লৈবগী। অদুগা এম ফিল অমদি পি ঐচ দি তম্বগীনা ইতোমতা লৈবগী লুপা ২৫০ মুক ওইখিবনি। অদুগা হোষ্টেল মেসতা নোংমগী চরা অহুম চাবগী থা থাগী মেস বিলনা লুপা ৩৫০ মুক ওইখিবনি। অয়াম্বা শেল নত্তে। অদুবু লৈতবা ঐহাক্কী ইফমদদি মদু ফাওবা পীবা ঙমদনা থা খুদিংগী ঐহাক্কী মীং ফক্লাংদা থেৎপা ইভিক্সন লিষ্টতা ঐহাক্লা থা খুদিংগী নম্বর ৱান তাখিবনি।

মীওই খুদিংমক মকোক থোংবদা হরাওনরিবা মহৌশানি। অদুবু ইভিক্সন লিষ্টতা মেস বিল পীবা ঙমদবগী চাক চাবা য়ারোই হায়না মীয়াম মমাঙদা ঐহাক্কী মীং থোক্তুনা মকোক তাবদুদি ইকায়বা ফাওই। অদুবু করি পাম্বৈদি লৈরি। লৈত-লৈত, ইকায়-ইকায় অদুম খাংজিন্দুনা লৈখিবনি। অসুম্না অসুক শেল লৈতবগী ৱাখিবা মতম অদু ফাওবদা ঐহাক জে এন য়ু থাদোক্তুনা মহৈ তম্বা তোক্কে হায়বদি খক খনখিদে ঐহাক্কী ৱাখলসিদা। ঐঙোন্দা ফংজখিবা টোপ য়ুনিভর্সিটি অমদা অৱাংবা থাক্কী মহৈ তমথবগী তাঞ্জা অদুবু নীংথিনা শীজিন্নদুনা ঐহাক MA, M.Phil 1 year course work অমদি পি ঐচ দি মথং মথং লোইশিনখিবনি। ঐহাক্কী M. Phil 1 year course তা মার্ক ৱাংই হায়দুনা ঐহাকপু দাইরেক্ট পি ঐচ দি তৌথবা ফাওবা য়াহনখিবনি। ঐহাকসু য়ারিবমখৈ থুনা লোইনবা হায়দুনা দাইরেক্ট পি ঐচ দি তৌখিবনি।

অসুম্না য়াম্না লৈত-লৈত ৱানা-ৱানা ঐহাক্কী ইন্দিয়াগী পুন্সি ঈচেলগী তাঙ্কক অমসু লোইশিনখি। জে এন য়ুদা তম্লিঙৈ পুন্সিগী তাঙ্কক্তুদা খঙবা ঙমখিদে ঐহাক্কী পুন্সি ঈচেলনা মায়কৈ কদোমদা পুবিগদৌরিবা। অদুবু খঙহৌদনা পুবিরকখি ঐহাক্কী পুন্সিগী ঈচেলনা ঐহাক্কী পুন্সিগী হিনাওবু টাইৱান হায়রিবা তোর্ব্বানসিদা। মতৌ অসুম্না ঐহাক্কী অনৌবা পুন্সি অমা হৌরকখিবনি টাইৱান হায়রিবা ঈথৎসিদা।

নীংশিংলি ঙসিসু শং-শং ইমিৎসিদা ঐহাক্লা অহানবা টাইৱান হায়রিবা ঈথৎসিদা খোঙদারকখিবদো। খোঙচৎ অদু কুমজা ১৯৯৫ দনি। সাউথ কোরিয়াদা ইন্টরনেসনল য়ুথ ফেষ্টিবেল অমা য়াওরবা মতুংদা ঐহাক্কী লোয়নবী Chen Nan-Taina (Chaningleima) না টাইৱান্দা কোইরক-ও হায়বদুদা ঐহাকসু তাঞ্জাবু ফংলবদি ইরায় লায়না থাদোক্তবা মীওই অমা ওইবনা শেল লৈরসু লৈত্রসু চৎকে হায়না হরাও হরাও য়াখিবনি। মতমদুদা ঐহাক্কী টাইৱান্দা চৎনবগী শেলকা য়াওপোৎ নত্তেদা অদুবু ঐহাক্কী চৎনীংবা মতৌ অদু উবদুদা ঐহাক্কী সাউথ কোরিয়াগী ইমান্নবা অমনা শেল পুথোকপীদুনা, ভিজাসু লৌবীদুনা লাকখিবনি টাইৱান হায়রিবা ঈথৎসিদা। মতৌ অসুম্না টাইৱান হায়রিবা ঈথৎসিদা ইহান হান্না খোঙদারকখি পুন্সিগী ঈচেলনা পুবিরক্তুনা। অদুম ওইনমক ঐহাক নোংমা টাইৱান হায়রিবা ঈথৎসিদা থবক ইনখাং তৌদুনা, য়ূম পান্দুনা লোয়নবী অমদি ইচাশিংগা লৈরক্কনি হায়বদি শুংখল হেক খল্লুদে। অদুবু পুন্সিগী ঈচেলনা করম্বা মায়কৈদা, করম্বা পন্থুংদা পুবিগনি হায়বসি তম্বা ঙমদেকো। ঐহাক্কী পুন্সি ঈচেলগী ৱারীসিবু মখা তানা লীখিসিরনে? ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।